## টর্কিগী থৌওং কন্দেম তৌখ্রে

কাইরো, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
হন্দক্তা টর্কিনা লিবিয়াগী ফিভম হেন্না লুশিনহনগদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অমদি টর্কিস পার্লিয়ামেন্টনা লিবিয়াদা ট্রুপ দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম য়াখিবগী খোংথাং সাউদি অরাবিয়না কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা টর্কিগী থৌওং অদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱারেপশিং খোঙ্গাওনবা অমনি হায়না সাউদি ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

## বিল্ডিং নীংখায়বদা মীওই ৩৬ শিরে

নোম পেন, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
কম্বোদিয়াদা বিল্ডিং অমা নীংখায়রকপদগী পুন্না মীওই ৩৬ শিরে অমসুং অকায় অতোই মরক্তগী অতৈ মীওই ২৩ রেস্ক্যু তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না অশি-অনাশিংগী মশিং কনফার্ম তৌবগা লোয়ননা বিল্ডিং অদুগী মপুশিং পুলিসনা ফারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইরানগী মফম ৫২ দা এটেক তৌগনি হায়রুবদগী ইরান্না ট্রম্প অচৌবা ফমগী ফিজোল শেৎপা টেররিষ্টনি হায়খ্রে



দুবাই, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সি) :
ইরানিয়ন মিলিটরি কম্মান্দর কসেম সোলৈমানি হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা করিগুম্বা টেহরান্না অমেরিকানশিংদা নৎত্রগা য়ু এসকী এসেটশিংদা এটেক তৌরকপা তারবদি ইরানগী মফম ৫২ অকনবা এটেক চত্থগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কিহনখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরান্না ট্রম্পপু অচৌবা ফমগী ফিজোল শেৎপা টেররিষ্ট অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখ্রে।

চাওখৎপা অমসুং লৈবাক মচা তাবগী কলচরশিংবু হঙ্গোই তুকচ্চরিবা আই এস আই এস, হিটলর, জেনঘিস খানগুম্না ট্রম্পসু অচৌবা থবক তৌগদবা ফমগী ফিজোল শেৎপা টেররিষ্ট অমনি। কনামত্তনা ইরানিয়নশিং অমসুং ইরানগী কলচর মায়থিবা পীবা ঙমদে হায়বগী পুৱারী অসি মহাক্না য়াম্না থুনা খঙজরগনি হায়না ইরানগী ইনফোর্মেসন এন্দ টেলিকম্যুনিকেসন্স মিনিষ্টর মোহমদ জবদ অজারি-জহুরোমিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

ইরানগী থোইদোক হেন্দোক্লা হে শিংলবা মিলিটরি কম্মান্দর সোলৈমানি হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা য়ু এসনা বাঘদাদ এয়রপোর্টতা মহাক্কী কনভোইদা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমা চত্থদুনা হাৎখিবনি। এটেক অদুনা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাক্লবা ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা ফিভম তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাকহনখিবগা লোয়ননা মিদল ইষ্টতা হেন্না পাকথোক চাওথোকপা কনফ্লিক্ট অমা লাকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহনখি।

রেভোল্যুসনরি গার্দসকী এলিট কুটস ফোর্সকী মকোক ওইনা সোলৈমানিনা টেহরানগী মপানগী ওইবা মিলিটরি ওপরেসনশিং শীন লাংখি। থাংজ নুমিত্তা পরিং নাইনা থাগৎখিবা ত্বিটশিংদা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, সোলৈমানি শিখিবগী লমন খুন্বা ওইনা ইরান্না য়ু এসকী অকক্লবা এসেটশিংদা টার্গেট তৌগনি হায়না থৌনা ফনা ফোঙদোক্লিবসি য়ু এসনা ইরানগী মফম ৫২ অকনবা মওংদা এটেক তৌনবা খন্দোক্তুনা থম্লে হায়বসি মখোয়না খঙজগদবনি।

# ন্যু য়োর্ক সিটিদা এন্টি-ৱার রেলি পাঙথোকখ্রে




ন্যু য়োর্ক, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
ইরানগী মরু ওইবা কম্মান্দর অমা হাৎপগা লোয়ননা টেহরান্না লমন খুমগনি হায়না লাউথোকখিবা বাঘদাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট মনাক্তা য়ু এসনা চত্থখিবা শাথিরবা এয়রষ্ট্রাইক অমগী মতুংদা এন্টি-ৱার প্রোটেষ্টর চা কয়ানা থাংজ নুমিত্তা ন্যু য়োর্ক সিটি (এন ৱাই সী)গী টাইম স্কৱারদা পুন্দুনা রেলি পাঙথোকখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংনা জোবস, হেল্থ ক্যের, এদ্যুকেসন, হাউজিং, হ্যুমেন নিদস, নোট এনদলেন্স ৱার অমদি নো ৱার / সেঙ্কসন্স ওন ইরান হায়না থাবা সাইনশিং পায়খি। প্রোটেষ্টরশিংনা য়ু এসনা মিদল ইষ্ট থাদোক্কদবনি, জষ্টিস লৈত্রবদি পিছ লৈরোই অমদি ইরানগা লান শোক্লবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়া লাউবগা লোয়ননা ব্রোদৱেগী লম্বী মতেক অমদসু খোঙচৎ চৎখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা ব্রুকলিনদা লৈবা য়ু এস সিনেটর চক সুমরগী এপার্টমেন্টকী মপান্দা রেলি অমা পাঙথোকখিবা মতুং পুং খরা কান্নরবা টাইম স্ক্যার রেলি অসি পাঙথোকখিবনি।

এন্টি-ৱার গ্রুপ কয়ানা মফম কয়াদা রেলি পাঙথোক্তুনা ইরানগী ইস্লামিক রেভোল্যুসনরি গার্দস কোর কুদস ফোর্সকী কম্মান্দর মেজর জেনরেল কসেম সোলৈমানি হাৎখিবগী খোঙথাং কন্দেম তৌখি। সোলৈমানি হাৎখ্রবা মতুংদা ন্যু য়োর্ক সিটিগী মরু ওইবা মফমশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎহনখ্রে হায়রি।

# ত্রিপোলিদা লৈবা মিলিটরি একাদেমিদা চত্থরকখিবা এটেক্তা ৩০ শিরে



ত্রিপোলি, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
লিবিয়াগী কেপিটেল ত্রিপোলিদা লৈবা মিলিটরি একাদেমি অমদা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা চত্থরকখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩৩ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ (জি এন এ)না হৌখিবা এপ্রিলদগী মিলিটরি কম্মান্দর খালিফা হাফটরগী লিবিয়ন নেসনল আর্মি (এল এন এ)না চত্থরকখিবা ওফেন্সিভ অমা মায়োক্নরক্লিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ত্রিপোলিগী অকোয়বদা এয়রষ্ট্রাইকশিং অমসুং সেলিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা টর্কিগী পার্লিয়ামেন্টনা জি এন এ শৌগত্তুনা লিবিয়াদা টর্কিস ট্রুপশিং থান্নবা ৱারেপ লৌখিবা মতুংদা লান কনখৎলকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহনখিবনি।

থাংজ নুমিত্তা অল-হাধবাদা লৈবা মিলিটরি কেম্পতা চত্থখিবা এটেক অদু নোংপোক থংবদা লৈবা মখোয়গী রাইভেলশিংনা পাঙথোকখিবা এরিএলগী বোম্বিং অমনি হায়না জি এন এগা মীচং চুংশিন্নবা ফোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এল এন এগী স্পোক্সমেন অমনা এটেক অদুদা মখোয় চেন্নখিদে হায়খি। জি এন এগী হেল্থ মিনিষ্টর হমিদ বিন ওমারনা মমাংদা এজেন্সিদা ফোনগী খুথাংদা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদুদা শিবা মী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফিভম লৈ।

ত্রিপোলি এম্বুলেন্স সর্ভিসকী স্পোক্সমেন ওসমা অলিগী মতুং ইন্না হকচাংগী শরুক খরদি ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা খুদক্কী ওইনা মশিং থিবা ঙমখিদে। মীচম মঙাগী হকচাংশিং লৌখৎপা ঙম্নবা অতেনবা মতমগী সীজফায়র চৎনহন্নবা এম্বুলেন্স সর্ভিসনা মমাংদা অপিল তৌখি।

# সাইবর এটেকশিং চত্থরকপা য়াই হায়না য়ু এসনা ৱার্নিং তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
ইরানিয়ন মেজর জেনরেল কসেম সোলৈমানি হাৎখিবা মতুংদা ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটি (দি ঐচ এস)না অমেরিকানশিংদা সাইবর এটেকশিং, চিংননিংঙাই ওইবা ঈ-মেলশিং অমসুং নেটৱর্কতা অকায়বা পীবনচিংবগীদমক্তা শেম শানবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না দিপার্টমেন্টকী টেররিজমগা মরী লৈনবা অকিবশিংগী মতাংদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম কয়া পল্লিবা ৱাফমশিং য়াওবা বুলেটিন অদু থাংজ নুমিত্তা ইশ্যু তৌখিবনি। ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা য়ু এসকী মায়োক্তা লমন খুম্লিংবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগী মতাংদা পল্লদুনা ব্যুলেটিন অদুনা হায়খি মদুদি, হৌজিকমক্কী ফিভম অসিদা অমেরিকাদা তংদাংবা মওংদা শোয়দনা এটেক অমা চত্থরক্লগনি হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ ফংদ্রি।




ইরানগী সাইবর প্রোগ্রাম্মা য়ু এসকী মায়োক্তা সাইবর এটেকশিং চত্থবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোক্লদুনা বুলেটিন অদুনা মখা তানা হায়খি মদুদি, ইরান্না য়ামদ্রবদা মতম খরগী ওইরবসু য়ু এসকী ক্রিটিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা এটেক কয়া চত্থদুনা অকায়বা কয়া থোকহনবা য়াই।

মসিদা নত্তনা য়ু এসতা লৈরিবা এক্সট্রিমিষ্টশিংনসু হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা ফিভমগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিবিজ্যুএল এটেক কয়া চত্থরকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দি ঐচ এসনা হায়খি মদুদি, হোমলেন্দদা চত্থরকপা য়াবা এটেক খুদিংমক ৱার্নিং ইরৈ লৈতবা নৎত্রগা শুংলৈ লৈতবা য়াই।

# য়ু এস ট্রুপশিং তান্থোক্নবগী খোল্লাও মরক্তা পার্লিয়ামেন্ট মীফম ফম্লগনি

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
গভর্নমেন্টবু ৱাশিংটন্দা ইরাক্তগী য়ু এসকী ট্রুপশিং লৌথোক্নবা হায়হনগদৌরিবা রিজোল্যুসন অমগী মতাংদা ভোট লৌননবা নোংমাইজিং নুমিত্তা স্পেসল পার্লিয়ামেন্টরি সেসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ইরাক্কী লোমেকরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা ইরাই নুমিত্তা বাঘদাদ এয়রপোর্টতা কনভোই অমদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চত্থদুনা ইরানিয়ন মিলিটরি কম্মান্দর কসেম সোলৈমানি অমসুং ইরাক্কী মিলিস্যা লিদর অবু মহাদি অল-মহাদিস হাৎখ্রবা মতুংদা স্পেসল সেসন অদু কৌখিবনি।

থা কয়ামুক অমগা-অমগা লাউশিন্নদুনা লাকখিবা ফেক্সনশিংগী মরক্তা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা অমত্তা ওইবগী শক্তম উৎলদুনা দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুগী মতুংদা য়েংথিনরিবা সিয়াইট পোলিটিকেল লিদরশিংনা ইরাক্তগী য়ু এস ট্রুপশিং তান্থোকখিনবা অকনবা খোল্লাও কয়া লাউখি।

দৈয়স (ইস্লামিক ষ্টেট) মায়থিবা পীখ্রবা মতুংদা ইরাক্তা মখা তানা য়ু এস ফোর্সশিং লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈত্রে। ঐখোয় এটেক কয়াদগী লৈবাক কঞ্জবা ঙমগদবা ঐখোয়গী ওইবা আর্মদ ফোর্সেস লৈজে হায়না সিয়াইট লোমেকর অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি লিগেল কম্মিটি মেম্বর অম্মর অল-সিল্লিনা ফাঙদোকখি।

# পর্সিয়ন গল্ফতা রোয়েল নেভিনা জহাজশিং ঙাক শেনগদৌরি



লন্দন, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থদুনা ইরানিয়ন মেজর জেনরেল কসেম সোনলৈমানি হাৎখ্রবা মতুংদা উংখৎনবা ফিভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা পর্সিয়ন গল্ফতা বৃটিশ ফিরাল থেৎপা ভেসেলশিং ঙাক শেন্নবা য়ু কেগী রোয়েল নেভিগী লানগী জহাজশিংদা খঙহনখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্ট খরনা খঙহনখ্রে।

দিফেন্স সেক্রেটরি বেন ৱেলেসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, মমাংদা ইরান্না বৃটিশ ফিরাল থেৎপা জহাজ অমা ফাজিনখিবা মতুং জুলাই অমসুং নবেম্বরগী মরক্তা তৌখিবগুম্না রোয়েল নেভিগী ঐচ এম এস মোন্টরোজ অমসুং ঐচ এম এস দিফেন্দরনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ফাওদুনা চৎলিবা য়ু কে ফিরাল থেৎপা জহাজশিং ঙাক শেনগনি।

বি বি সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ৱেলেসনা হায়খি মদুদি, মহাক্না ইরাই নুমিত্তা য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবা মার্ক ইস্পরগা ৱারী শান্নদুনা পার্টি খুদিংমক্তা উংখৎনবা ফিভম হন্থহন্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি।

ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা য়ু এসনা কিহল্লক্লিবশিংগী মায়োক্তা মশা ঙাকথোকচনবা খোঙথাং লৌখৎচবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চৈরকসিদা শগোলশেল নুমিত্তা ৱাশিংটনদা চত্তুনা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগা উনগদৌরিবা বৃটিশ ফোরেন মিনিষ্টর দোমিনিক রাবনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী টি ভি ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খ্রে মদুদি, য়ু কেনা ঐখোয়গী য়ুরোপ অমসুং অমেরিকাগী মরুপ মপাংশিংগা লোয়ননা হৌজিক ওইরক্লিবা উংখৎনবগী অরুবা ফিভম হন্থহন্দুনা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনরি। ইরাক্কী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগসু ৱারী শানরে হায়না পল্লদুনা রাবনা মহাক ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জরিফকসু ৱারী শান্নরগনি হায়খি।

## প্রোটেষ্টর কয়া ফাখ্রে

হোং কোং, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
মীওই লিশিং কয়ানা প্রো-দেমোক্রেসিগী খোল্লাও লাওবগা লোয়ননা ময়োল লমগী চাইনিজ ট্রেদরশিংদা অশাওবা উত্তুনা বোর্দর মনাক্তা খোঙচৎ চৎখ্রবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা হোং কোংদা পুলিসকা প্রোটেষ্টরশিংগা অকনবা মওংদা মুক্নখ্রে অমসুং মীওই দজন কয়া পুলিসনা ফাখ্রে। সিয়োং সুইগী দেমোনষ্ট্রেটরশিং অদুনা হোং কোংদগী দ্যুটি ফ্রী ওইবা পোৎ চৈ কয়া লৈরগা মেনলেন্দদা পুদুনা য়োল্লগা শেন্দোং চাওনা তাল্লিবা চাইনাগী পেরেলেল ট্রেদরশিংদা টার্গেট তৌদুনা প্রোটেষ্ট অদু পাঙথোকখিবনি। মেনলেন্দ চাইনিজ কয়া লাক্তুনা মফম অসিগী লম্বীশিং চিলহল্লে হায়না প্রোটেষ্টর অমনা ফোঙদোকখি।

# কেনিয়ন, য়ু এস ফোর্সশিংনা শীজিন্নবা বেজদা অল-সাববনা এটেক তৌখ্রে



নাইরোবি, জন্যুৱারী ০৫ (এজেন্সি) :
য়ু এস অমসুং কেনিয়ন ফোর্স অনীমক্না শীজিন্নবা কেনিয়াদা লৈবা মিলিটরি বেজ অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা সোমালিয়াগী অল সাবাব মিলিটেন্ট গ্রুপনা এটেক তৌখ্রে অমসুং মখোয়না মৈ চাক্লবা এয়রক্রাফট অমগী মনাক্তা মাইখুম উপ্পা গনমেনশিংনা লেপ্পগী শক্তম ফোঙখ্রে হায়রি।

সোমালি বোর্দরগা নক্লবা লামু কাউন্টিদা লৈবা মন্দা বে এয়রফিল্ডদা এটেক অমা চত্থখি হায়বসি য়ু এস অফ্রিকা কম্মান্দনা কনফার্ম তৌখি। কেনিয়ন মিলিটরিগী মতুং ইন্না এটেক্করশিং মনিং হন্দুনা চেলহনখ্রে অমসুং মিলিটেন্ট মরি হাৎখ্রে। খুদক্কী ওইনা কেনিয়ন নৎত্রগা য়ু এস ফোর্সশিংগী মায়কৈদা মীশি-মীনাশিং থোকখিবগী পাউ ফংখিদে।

গ্রুপ অদুনা ফোংখিবা পিকচরশিং অদু ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেটর অমনা সেট্টলাইট ইমেজরিগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা মৈ চাক্লিবা মফম অদু মিলিটরি এয়রক্রাফটনা শীজিন্নবা বেজ অদুগী মপান্দা লৈবা এয়রফিল্ড অমগা চান্নে হায়বসি খঙবা ঙমখি। মিলিটন্টেশিংনা বেজ অদুদা চঙনবা হোৎনখিবগী খুদম-চাংদমশিং ফংখিদে। এটেক অদু নোংঙাল্লমদাইদগী হৌরগা পুং ৪ চুপ্পা চত্থখি হায়না উহৌবশিং অমদি মিলিটরি সোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

এয়রক্রাফট ৭ অমসুং মিলিটরি গাড়ি ৩ এটেক অদুদা মাঙহন-তাকহনখ্রে হায়না অল সবাবগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ক্লেম তৌখি। অল-কায়দাগা মরী লৈনবা অল সবাবনা খুদক্তা কেনিয়াগী ইন্দিয়ন ওসিন কোষ্টতা লৈবা লামু কাউন্টিদা চত্থখিবা শাথিরবা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখি।

NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X (BOSEM)
CLASS STARTING - 9th DEC, 2019
TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.
CLASS XII SC. (COHSEM)
CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR
CLASS IX & X (BOSEM)
CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
CLASS VI TO VIII (BOSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
* Day Boarding Facilities.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Study Material will be provided.
* Carrier Counselling for future study.
* Transport & Hostel facility will be available.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-P/5262/10 dec-11jan

SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL
Recognised by the BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII
With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.
Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal
HL-P/5851/3,5,6

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN
BOARDING FACILITIES
(LIMITED SEAT)
TEST FOR EVERY SUNDAY
FOUNDATION COURSE Time : 4:30 pm to 7:30 pm
CLASS 3 TO10 STARTS ON 6TH JAN., 20
TOPPERS 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
16th Position Lamjingba Y. St. Joseph
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jeshika W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
20th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Students of Heritage Convent, Nirmalabas, Don Bosco, Savio, Little Flower, St. Joseph, Regular, Oxfort, Tiny Tots, Christ Jyoty, IPS, Standard Robarth etc.
VAN AVAILABLE
Proper Imphal Thoubal, Sekmai Bishnupur, Phayeng Mayang Imphal, Pangei, Sawombung & Mantripukhri
7628946313 - 9402897710 - 8732022342
HL-P/5855/4/12-4/01